ঙসিগী রাশি ফল

মেষ : ৱানোম্বদা মায় পাকপা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
বৃষ : লম-তু চৎপা, য়েংবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
মিথুন : লিলা, ড্রামা শান্নবদা মিংচৎ ফংবা নুমিৎনি।
কর্কট : অনৌ-অনৌবা অফবা মরুপ ফংবা নুমিৎনি।
সিংহ : পোৎ-চৈ তাহৌবা, শাওনিংবা নুমিৎনি।
কন্যা : শুবা-নোম্বা, করবার তৌবা কান্নবা নুমিৎনি।
তুলা : ফম হোংদোক-হোংজিন তৌবা নুমিৎ ওই।
বৃশ্চিক : কান্নদবা মীদা শেল থাদবা নুমিৎনি।
ধনু : থিকাগী পন্দুনা লৈখিবা শেল ফংবা নুমিৎনি।
মকর : অনৌ-অনৌবা পোৎ-চৈ লেপশিনবা নুমিৎনি।
কুম্ভ : হৌখিবা থৌদোক্কী ৱাখল নুংঙাইতবা নুমিৎনি।
মীন : মরুপ-মপাং পুন্না চক্রি তৌনবা নুমিৎনি।

খুদক্তা তানখাইখি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ি য়ুনিয়ন্না ৬ শুবা পে পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌদুনা চঙশিল্লকপা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্তা মরী লৈননা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মেয়োর অমদি কাউন্সিল্লর খুদিংমক কেম্পস অসিদা চঙহন্দনা ঙসি ফাওবা লৈরিবনি।

চৈরক অসিদা ওপোজিসন খরনা নারোলদা লোন্না চঙলগা প্রেস কনফরেন্স পাঙথোক্লম্বা অদুদা খোইশাওনরবা ইমপ্লোয়িশিংনা খুদক্তা তানখাইখ্রে হায়না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ি য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা হায়রি।

৩ শুবা কুমওন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ ঙরাং অয়ুক পুং ৯ তাবদা হ্যুমেন রাইট দিফেন্দর মণিপুরগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা ময়াই লোইশঙদা ঐচ আর দি এমগী এদভাইজর ডা: রুহিকান্তা, ঐচ আর দি এমগী চিয়ারমেন জয় চিংঙাখম অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট রোবার্থ কোমনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ঐচ আর দি এমগী ৩ লক শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ঐচ আর দি এমগী জেনরেল সেক্রেটরি রাকেস মোইরাংথেম্না থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক পীখি। লোয়ননা ইরমদম মণিপুর অসিদা লৈমীন্নরিবা লৈহৌমী কাংলুপ ৪০ হেন্না লৈরিবা ঐখোয়গীদমক্তা ঙাক-শেন্নবা রাইট টু লাইফ, রাইট টু এদুকেসন, রাইট টু সোসিয়েল সেক্যুরিটি অমদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি-চান্না লৈমীন্নবগা লোয়ননা কনাগুম্বা অমত্তনা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন তৌরকপা মতমদা ঙাকথোক্লুবা অমদি অপিকপা ফুরুপ মচা-মচাশিং অসিবু ঙাকপী-শেনবীনবগী ৱাখল্লোন্দা ঐচ আর দি এমনা ঙসি ফাওবা চঙশিন্দুনা লাক্লি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা তুংদসু অমদি লাক্কদৌরিবা চহীশিংদসু ইনি দজিনসশিংগী ওইবা ঙাক-শেন্নবা থবক থৌরম খুদিংমক চঙশিনগনি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোক্লখি হায়না ঐচ আর দি এমগী চেরোল অমনা হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ মণিপুরদা লৈরিবা কর্ম্মাচারিশিংগী ওইনা ৭ শুবা পে অসি পীনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা অয়াবা পীখ্রে। অদুবু মণিপুরদদি ঙসি ফাওবা ৭ শুবা পে অসি পীবগী ৱাফম লৈত্রি। হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফাইনান্স ভিভেক কুমার দিৱাঙ্গনগা মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসনগী মীহুৎশিংগা উন্নখ্রে। অদুবু করিগুম্বা ৭ শুবা পে অসি পীদবা তারবদি লাক্লিবা ওক্টোবর ২৫ দগী হৌনা নভেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা ৭ শুবা পেগী মতাংদা পীবা য়াবগী খোঙথাং অমা পুরকপগী মমি উদ্রবদি মখল-মখাগী খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ মণিপুর বেপটিস কনভেন্সন ৱুমেন দিপার্টমেন্টকী লুচিংবী লিংবোই কিপগেন ৱুমেন সেক্রেটরি এম বি সিনা শিন্দুনা এম বি সি ৱুমেনগী ওইবা অনিশুবা ক্বাদ্রেনিয়েল কনফরেন্স অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ২০ দগী ২৩ ফাওবা নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা চরোই খুল্লেন বেপটিস চর্চ চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ততা পাঙথোক্লগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অসিগী মপুং ওইবা থিমদি 'এরিস এন্দ সাইন' হায়বা অসিদনি। থৌরম অসিদা তোঙান-তোঙানবা রিসোর্স পার্সন কয়ানা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাংগনি। লোয়ননা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা লনাইগী মীওই, গ্রুপ অমদি ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিংনা মতম চানা শরুকয়াবীয়ু। পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অয়েৎ-অপন য়াওদনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা খুদিংমক্না তেংবাং পীবিয়ু হায়রি।

জেম প্রোটেল হাংদোকপগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা প্রোটেল অসিদগী লৈবা পোৎলমশিং চিফ মিনিষ্টরদা জেম প্রোটেলগী রেজিষ্টর সেলরনা খুৎশিন্নবা

মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস শাগৎপদা জর্নেলিজম য়াওদবা য়াদে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ মণিপুরী সাহিত্য অমদি জর্নেলিজম অনি অসি য়াম্না নুংশিন্না নক্লে। মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস অমা শাগৎপদা জর্নেলিজম অসি য়াওদবা শুকয়া য়াদে হায়না আর কে মায়পাকসনাগী ৯৩ শুবা বার্থ দে এনিভর্সরিগী মেমোরিয়েল লেকচরদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটায়ার্দ প্রোফেসার প্রো: নোংমাইথেম তোম্বীনা হায়খ্রে।

আর কে মায়পাকসনা মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা আর কে মায়পাকসনাগী ৯৩ শুবা মার্থ এনিভর্সরিগী থৌরমদা 'জর্নেলিজমগা মণিপুরী সাহিত্য অমদি সংস্কৃতিগা লৈনবা মরী' হায়বা অসিদা ৱা ঙাংলদুনা প্রো: নোংমাইথেম তোম্বীনা মখা তানা হায়, মহাক্না সাহিত্য অমদি জর্নেলিজমগা মরী লৈনবা থবক্তা চহী ৩০ রোম থবক তৌরক্লিবা অসিবু শকখংবীদুনা ঙসিগী থৌরম অসিদা লেকচর পীহনখিবা অসিগীদমক নুংঙাইবা ফাওই। অদুবু তোপিক অসিগা মরী লৈননা থিগৎলুবদা সাহিত্য অমদি জর্নেলিজম অনি অসিগী নুংশিনবা থানবা য়াদ্রবা মরী লৈ হায়বসি খঙই। মণিপুরী সাহিত্য অমদি জর্নেলিজমগী থানবা য়াদ্রবা মরুওইবশিং অসি মীওই অয়াম্বনা খঙদবগুম তৌরি।

জর্নেলিজম হায়বসি মীয়ামগীদমক পাউ ফোংবা, মীয়ামদা ঈ-পাউ খঙহনবা অমদি পাউশিং অদুবু নৈনদুনা মীয়ামদা ভাব তাহনবা অদুনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা টি ভি, রেদিও, ফিল্ম, এদভরটাইজনচিংবা জর্নেলিজমগা লোয়ননা ফোতো জর্নেলিজমশিং অসি য়াম্না মরুওই। পুন্নমক অসিদা প্রিন্ট মেদিয়া হায়রিবা পাউ-চে পুথোকপা অসিনা হেন্না মরুওইরিবনি। জর্নেলিজম হায়বা অসি পাক-চাওই। হৌজিক্তি মোর্দন টেক্নোলোজিগী জর্নেলিজম হায়বা অমসু লাক্লবনিনা হেন্না মরুওইরক্লে।

অমরোমদা মণিপুরী সাহিত্য হায়বা অসিসু অনিশুবা লঞ্জাওগী মমাং অমদি অনিশুবা লঞ্জাওগী মতুং হায়দুনা অনি থোক্লা নৈনবা য়াই। হায়রিবা মণিপুরী সাহিত্যশিং অসি জর্নেলিজম য়াদ্রবদি য়াদে। মসিমক্না জর্নেলিজম য়াদ্রবদি মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস মপুং ফাবা ঙম্লোই। খুদম ওইনা জর্নেলিজমদা লৈরম্বা মতম অমগী লময়ানবা ইরাবত, ডা: কমল, খ্বাইরাকপম চাউবনচিংবা মীওই কয়ানা ইরম্বা সাহিত্যশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা নৈনরিবনি। মরম অদুনা জর্নেলিজম অমদি মণিপুরী সাহিত্য অনি অসি য়াম্না মরী লৈনৈ।

আর কে মায়পাকসনাগা মরী লৈননা সোভেনর অমসু ফোঙদোক্লুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফোর্মর ভাইস চান্সেলর প্রো: হিজম তোম্বীনা হায়, আর কে মায়পাকসনা অসি সাহিত্য, লিটরেচরদা নত্তনা জর্নেলিজমবু চাওখৎনবা হোৎনরম্বা শক্লাইরবা মীওই অমনি। আর কে মায়পাকসনা অসি হিরম কয়াদা মরিল লৈবা, ক্বালিটি লৈবা মীওইনি। মহাক্না তৌরম্বা থবক অয়াম্বা ঙক্লিংঙাই ওইবা, মীয়াম্না পাম্নগদবা অয়াম্বা ওই। মহাক অসি নেতা ওইবা, এদুকেসনেলিষ্ট, চীং-তম নুংশি-চান্না লৈমীন্নবা লাল্লোং কয়া য়াৎপা হৈবা মীওই অমনি। মহাক্না নেতা অমা ওইনা মণিপুর চাওখৎনবা অমদি মণিপুরগী কলচর ফগৎনবা হোৎনরম্বা মীওই অমনি হায়না শিংথাখি।

এমসুনা ঙসি ফাওবা ফুরুপ নাইবগী থবক তৌখিবা লৈতে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ মণিপুর মহৈরোইশিংগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা এমসুনা ঙসি ফাওবা থবক তৌরকপদা কাংলুপকী অমদি ফুরুপ নাইবগী মওংদা থবক অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়না এমসুগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, মসিদা কনাগুম্বা লুপ নত্রগা লনাই মীওইনা লান্না উবীগনু। মহৈরোই অমগী পুন্সিবু মাঙহন্নবা হোৎনরিবা গভর্নমেন্ট অসিগী অরানবা থৌওংদগী মহৈরোইশিংগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা এমসুনা কন্নবা হোৎনবনি।

গভর্নমেন্টকী দিপার্টমেন্ট অমগী ওথোরিটিনা মশাগী ওফিসিয়েল কেপাসিটিবু অরানবা মওংদা শিজিন্নদুনা ইচম চমজবা মীওই অমগী কেরিয়ার অমদি পুন্সিবু লৈখা তাহন্নবা হোৎনরিবা অসিদগী কলহৌনবা অমদি অরানবা তৌবা ওথোরিটি অদুবু চৈরাক পীনবা হোৎনবনি। মসিদা কাংলুপ-ফুরুপ অমত্তদা অতম্নুনা থবক লৌখৎখিবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে।

হিরম অসিগী মতাংদা ওর্গনাইজেসন খরনা য়াম্না অখুবা মীৎয়েংদা কাংলুপকী ওইবা ৱাফম কয়া পুশিল্লক্তুনা খোঙজং অসি নাথৈনবা অমদি লৈবাক মীয়ামদা লান্না উন্নবা হোৎনরিবা অসিমক য়াম্না লাইবক থিবনি। লোয়ননা মসি অমুক হন্না তৌবীগনু।

দিপ্যুটি দাইরেক্টর টি আর আইগী ৱাফম অসি ভিক্টিম ওইরিবা মহৈরোই অসিগী ৱা তারবা মতুং য়াম্না কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা এমসুনা তরেৎ তরা থোক্লা খঙলগা পায়খৎলকপা থবকনি। মণিপুরগী মহৈরোই খুন্নাইবু লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিগী সিষ্টেম মনুংদা ওথোরিটিশিংনা নৈহৎপীবতা নত্তনা করপসন, ফেবোরিটিজম, নেপোটিজমগী খয়াৎতা তাদুনা মাঙখিগদবগী কলহৌদবা য়াদে হায়না এমসুনা পায়খৎলকপা খোঙথাংনি।

গভর্নমেন্ট অসিগী দিপার্টমেন্ট অমা হায়বদি, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার, পি দব্লিয়ু দি, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট অমা হেক্তদা ওইরবসু ঐখোয়গী খোঙজং অসি চথখিগনি। মসিদা অতম্নুনা টি আর আইগীদা তাই হায়দুনা চঙশিনখিবা লৈতে। মসি গভর্নমেন্ট অসিগী অরানবা তৌবশিংগী মায়োক্তনি। মমাংদসু এম ও বি সি দিপার্টমেন্টনা অরানবা তৌবগীদমক মখোয়গী মথক্তা মহৈরোইশিংগী চাকথুং মৎপা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিনখি। এমসুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসি মণিপুরদা খুন্দামীন্নরিবা ফুরুপ কাংলুপ খুদিংমক্কী য়াইফনবনি। অমদি চাওখৎনবগী লমদা চঙশিনবনি। মসিদা মণিপুরদা লৈরিবা চীং অমদি তমগী মীপুম খুদিংমক্না মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা তোঙানবা চার্জ কয়া তৌবা অসিগী অশোই-অরানব অমদি অচুম-চুমদা খুদিংমক কনাগুম্বা লুপ নত্রগা লনাই মীওইশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা হেন্না অকুপ্পা মরোল খঙনিংবা লৈরবদি এমসুগী হেদ ক্বাটরদা লাকপীরগা খঙবীবা য়াগনি। এমসু হায়বসি মীয়ামগীনি। মীয়ামগীদমক এমসুনা মতম পুম্নমক্তা লেপ্পুনা লৈ হায়রি।

নাকল অমরোমদা এমসুগী চেরোল অমনা হায়, ঙরাং য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অমা অনি ইম্ফাল ময়োল মক্তদা লৈবা দি এম কলেজ ওফ কম্মর্সকী কেম্পস মনুংদা শকখংদবা মীওই খরনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা কলেজ অসিগী একাদমিক এটমোসফিয়ারদা অকায়বা থোকহনখিবা থৌদোক অদু মণিপুরগী মহৈরোইগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা এমসুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

মহৈরোইশিংগী মহৈ তম্ফমশঙ অমা ওইরিবা কলেজদা বোম লংশিন দুনা মীচম-মীয়াম অমদি মহৈরোইশিংবু অকি-তুজুংবা পোকহনবা হায়বসি পাংদবগী থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীদনবা এমসুনা অপিল তৌরক্লি। লোয়ননা ইম্ফাল ময়োলমক্তুদা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক অসি থোক্লুবা ফাওবদা মণিপুর পুলিস অমদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৌখৎপা য়াবা এক্সন অমত্তা লৌখৎতবা হায়বসি এমসুনা পেন্দবা ফাওই।

মরম অদুনা অথুবদা থৌদোক অসিগী মরী-মখোং মীয়ামদা খঙহন দুনা মীচম-মীয়াম অমদি মহৈরোইশিংদা অকি-তুজুংবা পোকহন্দনবা লৈঙাক অসিনা হোৎনগদবনি হায়রি।

মণিপুরদা রেগিং সিষ্টেম থিংলেঃ *এম এস এফ*

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ হৌখিবা ওক্টোবর ৮ অমদি ৯ গী অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী জে এন ভিদগী ক্লাস সভেন তম্বা মহৈরোই ১৭ পু মখোয়গী সেনিয়ার ক্লাস আইটকী মহৈরোইশিংনা ফুবা-চৈবা, ওৎপা-নৈবা তৌবনা মরম ওইদুনা চেন্থোরকখিবা থৌদোক অদু লৈবাক অসিগী মহৈরোই খুন্নাইগী য়াম্না ইথিল শোকপা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিবু এম এস এফনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতুং অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, এম এস এফনা মণিপুরদা রেগিং সিষ্টেম অসি থিংলে। মহৈরোই খুন্নাইগী মরী লৈনবা মফমশিং অমদি হিরম খুদিংমক্তা রেগিং তৌবা য়াররোই। করিগুম্বা মখা তানা রেগিং চথরম্বা থেংনরবদি এম এস এফতা অথুবা মতমদা পাউ পীবিয়ু। মদুগীদমক চপ চানা এম এস এফনা থেংনগনি।

মহৈ-মশিং তম্বা খক্তনা মহৈরোই অমগী থৌদাং লোইবা নত্তে। লৈবাক অমা নত্রগা খুন্নাই অমবু চাওখৎপা অমদি অফবা মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা অমদি তুংগী য়ুম্বী ওইনবগী অশা লৈরিবা মহৈরোইশিং অসিনা অসিগুম্বা অমনা অমবু হন্থনা য়েংবা, মোরেল য়াওদবা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌরোইদবনি। থৌওং অসিমক মহৈরোই খুন্নাইদা য়াম্না অকায়বা অমদি থম্মোয় কায়বা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিনা এম এস এফনা মণিপুরী মহৈরোইশিং অসিবু অদুক হাক্লা থাক হন্থখ্রবরা, দিসিপ্লিন অমদি মোরেল অদুক হাক্লা হন্থত্রা হায়না থম্মোয়নুংদা য়াম্না পেন দবা ফাওই।

রেগিং সিষ্টেম অসি অতোপ্পা ইনি দয়াগী ষ্টেটশিংদা তৌবা থেংনরবসু মণিপুর লৈমাইদদি অঙকপা অমা ফাওরি। জে এন ভি হায়রিবা মহৈলোইশঙ অসি অফবা স্কুলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। অফবা মতিক চাবা মহৈরোই কয়া তন্লিবনি। অদুবু মোরেল ৱাৎপা মানবা, ৱাখল খন্থদবা মানবা মহৈরোই খরনা চেন্থনবা হোৎনবীগনু। হৌগৎলক্লিবা তুংগী অশা লৈবা মহৈরোইশিংদা থৌওং অসিনা অফবা খুদম অমা পীবা নত্তে। মহৈরোই অমা ওইনা দিসিপ্লিন ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। মহৈরোইশিংগী অফবা মতৌ অদু হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা তম্বা মতুংদা মখোয়বু ইকাই খুম্ন গদৌরিবনি। মহৈরোইশিংনা রেগিংগী ৱাখল্লোন অসি থাদোকপীয়ু। য়াম্না লৈবাক মচা তাদবশিংগী মতৌ অসি অমুক হন্না মহৈরোইশিংনা তম্বীগনু হায়না অপিল তৌরক্লি।

লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী ওইবা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ ইরমদম চীংলৈবাক অসি কন্নবা ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী কন্নবা থবকশিং ঙসিগী লৈঙাক অসিনা পায়খৎপা মথৌ তাবশিং অদু অথুবদা পায়খৎপীয়ু হায়না য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লুপ (য়কল) গী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, পীকখ্রবা চীংলৈবাক অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মীওই খুদিংমকপু সিটিজেনসিপ হেক্তা পীথোকপা, লম লৈবা অমদি খুন্দা-লৈতাহনবগী থৌওংশিং অসি মখা তানা অমুক চথরবদি ইরমদম চীংলৈবাক অসি মীগী ওইখ্রগনি। ইরমদম অসিগী মরুওইবা মফম পুম্নমক মীতোপশিংনা পাইশিনখ্রে। মসি লৈঙাক্লা মতম চানা থবক লৌখৎহৌদবদগী থোরকপা ঙাক্তনি।

ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী খুদিংমক্না ঈথক-ঈরাং, কুম্মৈ-ফিয়োংদা ঙাওদুনা লৈথোক্লি। তুংদা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং অসি কদাইদা করি শু-নোম্লগা হিংগদৌরিবনো। লৈজরিবা পীকখ্রবা ইরমদম অসিদগী অতোপ্পা মালেমগী মফম অমদা ঐখোয়গী লৈফম ফংগদ্রা হায়বা অসি অরুবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মসি খন্থবা মথৌ তারে।

মীগী মশিংশু ৱাংখৎলক্লুবা, লাইরিক-লাইশু, মহৈ-মশিং নিংথিনা হৈরবা অদুগা লৈনবা লমনা মীতোপ্তা অসুম-অসুম য়োহল্লগা মমৈদা ঐখোয় কদাইদা লৈগনি হায়বা অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লম ঙাক-শেন্নবা কাংলোন শেম্বগা লোয়ননা য়েলহৌমীশিং কন্নবা লম্বী লৈঙাক্লা অথুবদা শেম্বীয়ু।

ইরমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংনা মীতোপকী ঈরোলনুংদা লুপখ্রগা ঙসি লৈঙাক্কী ফমজাও পাইরিবা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিং অমদি লৈঙাক পাইরিবা লৈঙাক্লোইশিং অসিনা লৈহৌবা য়াগদ্রা হায়বা অদু খন্থবীবা চুমগনি। ইরমদম অসিগী লমবু ঙাক-শেন্নবা লেন্দ প্রোটেক্সন লো শেমদুনা চৎহনবা মথৌ তারে। অদুগা লৈঙাক অসিনা শেন্থোক লৈজদ্রবশিংবু শেন্থোক লৈনা হিংজবা ঙম্নবা ইকোনোমি পোলিসি কয়া নিতি চুম্না শেম্বীদুনা চৎনহনবা মথৌ তাই। ভারত লৈঙাক্লা পীথরকপা লাইরবশিংনা ফংগদবা খুদোংচাবা খুদিংমক ইনাক খুনবশিংনা লৌরিবা অসিগী চৎনবী অসি তোকপগা লোয়ননা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্বা মথৌ তারে। পুন্নমক অসি লৈঙাক্লা মতম চানা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

অমরোমদা ইরমদম অসিগী পাক-চাওবা অসি অপুনবগী চাংদা চাদা ৮ খক ওইরিবা তম্পাক্কী লম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি চীংদা খুন দারিবা তাম্বুল, কবুই, মরিং, অনাল, চোথে হায়না লৈরিবা ফুরুপশিং অসিগা খেন্নবা করিসু লৈতে। নাৎ, কলচর অমদি হৌরকফম মান্নে। মসিদা তোঙান-তোঙান্না খায়দোক্তুনা থম্লিবা পল অসিসু লৌথোকপা মথৌ তারে। মদু লৌথোক্তুবা তারবদি মেরা হৌ চোংবনচিংবা পাঙথোক্লিবা অসিগী ৱাহল্লোক করিসু লৈরোই।

মচিল-মনাওনি হায়নদি চিন্দা ঙাংলগা ইয়াম্বনা হন্থবা থাক্তা লৈবনি, চাওখৎপগী মমি তাদ্রিবনি হায়বা, মনাওনা চাওখৎলে, অৱাংবা থাক্তা লৈরে, চাওখৎপদা মনিং হনবা মথৌ তাদে। ত্রাইব ওইনা হিংবা ঙম্লোই হায়রগদি চীং-তম পোৎলান্নদুনা ঈগী মরী থিরিবা অদুগী ৱাহল্লোক করিসু লৈরোই। হৌজিক ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী কঞ্জনবা মীয়াম্না লাওরিবা তোঙান-তোঙানবা ঈহৌ কয়া হৌরিবনি। অদুগা ত্রাইবতি ত্রাইব ওইনা অদুমক লৈগদবনি হায়বা ৱাফম অসি ককপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা অচুম্বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা তুং-কোইনা চৎনবা য়াগদবা, য়েলহৌমী কনবা য়াবা লম্বী অমা অথুবদা শেম্বীনবা ৱাখল্লোন্দা লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা থবক খরদি পায়খৎপীয়ু হায়রি।

চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকাইদা ভেন্সকী শো রুম হাংদোকপগী থৌরম

ত্রিপুরাগী লাইব্রেরীদা থম্নবা লাইরিকশিং থাজিল্লকপা য়াগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ চহী ৩০ হেন্না ত্রিপুরাদা মণিপুরী কলচর অমদি শক্তম ঙাক্লবগী পান্দমদা মীয়ামগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ত্রিপুরাগী খ্বাইদগী লীরবা 'লৈকোল' হায়না খঙনরিবা কলচরেল ওর্গনাইজেসন অসিগী মশাইকোন্দা চহী অসিগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৬ তা পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরনা হাংদোকখিবা লময়ানবা হিজম ইরাবত মেমোরিয়েল লাইব্রেরীদা মণিপুরী লোলগী লাইরিকশিং অমদি অতৈ লোলগী লাইরিক কয়ামরুম খুদোল তমদুনা মপুং ফাবা লাইব্রেরী অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীবগা লোয়ননা লাইরিকশিং পীশিনবীরকপা য়াগনি হায়না পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, চহী অসিগী ওইনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২২ দা হায়রিবা লাইব্রেরী অসিদা মশিং য়াম্লবা মণিপুরী লোল অমদি অতৈ-অতৈ মখল কয়াগী লাইরিকশিং খুদোল তমগনি। খুদোল তম্বগী থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ত্রিপুরাগী মীয়াম্না মণিপুরী লোল, লিটরেচর, কলচর অমদি ঐখোয়গী শক্তমগী মরমদা রিসার্স তৌরকপা মতমদা হেন্না খুদোংচানবগী পান্দমদা লাইব্রেরী অসি হাংদোকপনি। অসিগুম্বা লাইব্রেরী অসিদা লমদম অসিগী অইবা-অইবীশিং, পব্লিসরশিং অমদি অতৈ বুক ফর্মশিংনা য়ামদ্রবদা লাইরিক অমমমগী কোপি ২/২ ফোরম অসিগী ময়াই শঙলেন কৈশামথোং হোদাম লৈরক টিদিম রোদ নত্রগা ইপাক ওফসেট প্রেস কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা থেংলবদা ওক্টোবর ১৮ ফাওবগী মনুংদা থাজিনবীরকপা য়াগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক ফোরম অসিগী ওফিসিয়েল কন্টেক নম্বর ৯৮৬২১০০৬৫৮, ৯৮৬২১৭০৫৬৯ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

চোইনা-চোইনা খুন্দারিবা ত্রিপুরাগী ইরৈচাশিংনা মীতৈলোলগী লাইরিকশিং পাবা ফংদবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লুদুনা লৈরি। মদু খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা ত্রিপুরা অমদি মণিপুর অনিগী মরক্তা লাইব্রেরী অসিনা অচৌবা থৌদাং ওইহন্দুনা ষ্টেট অনি অসিগী মরক্তা অফবা মরী অমা লাইব্রেরী অসিনা শাগৎলক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা হাংদোকপা লাইব্রেরী অসিবু নুংশিবীদুনা লাইরিকশিং কৎপীরক্লুবা অপিল তৌরক্লি। মমল য়াম্লবা লাইরিকশিংবু খুদোল পীবিরকপশিংগী মমিং, লৈফম অমদি শিনফমনচিংবা লাইব্রেরী অসিদা দোক্যুমেন্ট ওইনা ইশিন্দুনা থমগনি হায়রি।

নম্বোলদা লগাও শান্নবা থিংলে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ চহী খরা অসিদা নিংঙোল চাক্কৌবা অমদি দিৱালি কুম্মৈগা মরী লৈননা মণিপুর তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা ফৎত্রবা, আইন্নসু য়াদ্রবা লগাও শান্নবগী চৎনবী অমা নুপী-অঙাং, অহল-নহা খাইদনা অমদি অয়ুক নুংথিল নুমিদাং নাইদনা চথরক্লি।

অসিগুম্বা ফৎত্রবা থবক অসি নম্বোল মায়কৈগী ওইনা থিংনবগীদমক ঙরাং নুংথিল পুং ৩ তাবদা নম্বোলগী হাও কৈথেলদা নম্বোল মীয়ামগী ওইবা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা থিংনবগী ৱারেপ লৌখ্রে।

অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থোরকপা অফ-ফত্তা খুদিংমক্কী দাইত্য লগাও খাওরম্বা অমদি থারম্বা মীওইশিং অদুনা মশা-মশানা পুজগদবনি হায়না ঙরাংগী মীফমনা ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা লৈকাই-লৈকাইগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পাইবী, কাউন্সিল্লর, ৱার্দ মেম্বর, প্রধান, জিলা পরিষদশিং অমদি মীয়াম হুপ্পা নম্বোল পুলিসকা খুৎশম্নদুনা অসিগুম্বা ফৎত্রবা লগাও শান্নবগী চৎনবী অসি থিংমীন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

অসিগুম্বা মীফম অসিদা সি ঐচ বসন্তা চিয়ারপার্সন নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, এল খোগেন ও সি নম্বোল, সি ঐচ ইবেচাওবী প্রসিদেন্ট য়ুনাইটেদ ৱুমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন নম্বোল অমদি এল শান্তিবালা প্রসিদেন্ট চাওখৎ খোঙথাং অপুনবা নুপী লমজিং লুপ নম্বোলনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভল্যুন্টরি ওর্গনাইজেসন নম্বোল, য়ুনাইটেদ ৱুমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন নম্বোল, চাওখৎ খোঙথাং অপুনবা নুপী লমজিং লুপ নম্বোল অমদি নম্বোল এরিয়া মৈরা পাইবী অপুনবা লুপনা পুন্না খুৎশম্নুনা পাঙথোকখিবনি হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভল্যুন্টরি ওর্গনাইজেসন নম্বোলগী চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুরগী দেলিগেট ১১ না শরুক য়ারুগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ লাক্লিবা ওক্টোবর ১৪ দগী নুমিৎ ৯ নি চুপ্পা রুসিয়া ফেদরেসনগী ব্লেক সি খোংবান্দা লৈবা সোচিদা মালেমগী নহা অমদি মহৈরোইশিংগী ওইবা ১৯ শুবা য়ুথ ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি। মালেমগী লৈবাকক্যাদগী নহারোল দেলিগেট চা কয়ানা শরুক য়াগদৌরিবা মীফম অসিদা মণিপুর ষ্টেট কউন্সিল ওল ইনি দয়া য়ুথ ফেদরেসন অমদি ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট ফেদরেসনগী দেলিগেট ১১ না শরুক য়ারুগনি। হায়রিবা মীওইশিং অসি হয়েং সোচিগীদমক ইন্দিয়া থাদোক্লগনি হায়না এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেটকউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, ফেষ্টিভেল অসিগী মনুংদা দেলিগেটশিংনা মপুং ওইবা তোঙান-তোঙানবা হিরম ৫ দা খন্ন-নৈনগনি। হিরমশিং অদুদি, কলচরেল গ্লোবেলাইজেসন, গ্লোবেল ইকোনোমি, নোলেজ ইকোনোমি, পব্লিক ইন্সটিটুসন দিভলপমেন্ট অমদি পোলিটিক্সকা লোয়ননা ইন্টরনেশ্নেল সেক্যুরিটিনি হায়রি। মালেমগী ওইবা খোল্লাওশিং অদুদি, ইং-তপ্পা হিংমীন্নসি, অমনা অমবু তেংবাংসি, খুন্নাইদা অচুম্বা পুরক্পসি, ইম্পরিয়েলিজমগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না লাম্হেংনসি, ঐখোয়গী হৌখ্রবা পুন্সি, পুৱারী ইকাই খুম্নসি। লোয়ননা নুংঙইয়াইফবা তুলমচং অমা শেগৎসি হায়বা অসিগী পান্দমদনি হায়রি।

ওক্টোবর ১৬ তা ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ঃ দলিট সাহিত্য একাদমিগী ভারতপুন্নগী ওইনা লোকমিত্রা পুরুস্কার থৌরমগী ওইনা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিং হায়বদি, ত্রিপুরা, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেস অমদি অসামদা ওক্টোবর ১৪ দগী ১৭ ফাওবা নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা থৌরম পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা অরোইবা নুমিৎ ওক্টোবর ১৭ তা রিফৎনগর, শান্তিপথ, কৃষ্ণনগর, গুৱাহাটি অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা অন্তরজাতি অমদি জাতিগী থাক্তা মনা পীনবা খল্লক্লুবা মণিপুরদগী পুংগী ওঝা ডা: মৈকাম থোইবা কুম্বী, জগোইদা থোকচোম তোলেন মীতৈ পেলেস কম্পাউন্দ, জাতিগী থাক্তা কাঙবম চৈরজিৎ লংদুম, য়ুম্নাম গ্যানেশ্বর থৌবাল হাওখা, মাইবম নিংঙোল শ্যামা দেবী কৈশামথোং, ইরেংবম নন্দা মীতৈ ইরেংবম, থোকচোম জিবন থৌবাল, ডা: ওইনাম চাউবা মীতৈ তোংলৈ অমদি য়েন্দ্রেম্বম কিরন হাওবম মরকহায়রিবা মীওইশিং অসি খল্লক্লে। তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদগী খল্লক্লুবা শক্লাইরবা থৌমীশিং অসিনা শরুক য়ারুনবগীদমক লাক্লিবা ওক্টোবর ১৬ তা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না দলিট সাহিত্য একাদমি মণিপুর ৱাংজিংগী চেরোল অমনা হায়রি।

রা.ই.সু.প্রৌ.সং
NIELIT
NIELIT Imphal
National Institute of Electronics and Information Technology
An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology (MeitY), Govt. of India
Akampat, Post Box No. 104, Imphal - 795 001, Manipur

ADVERTISEMENT FOR
SHORT TERM COURSES

Free Course Fee for SC & ST Students

Sl No.	Name Of Course	Duration	Timing	Eligibility	Normal Fee + GST
1.	Certificate course in Computer Concepts (CCC)(Windows+MS Office+ Internet)	8 - Weeks (80 hrs)	7.00 AM to 9.00 AM	X Passed	4130/-
2.	Diploma in Computer Application	(400 hrs)	3.00 PM to 5.00 PM	10 + 2 Passed	18,880/-
3.	Diploma in Computer Application	(320 hrs)	3.00 PM to 5.00 PM	10 + 2 and CCC Passed/ appeared	14,750/-

Note: i) Last date of admission : 23rd Oct., 2017
ii) Starting of the course : 24th Oct., 2017
No course fee for SC/ST candidates. However processing fee of *Rs 100/- will be charged.
(Details for Admission can be obtained from the Institute during 9:30 a.m to 5:00 p.m on all working days (Monday-Friday).

SD/-
Executive Director
NIELIT, Imphal

PERMANENT CURE

(অট্টৌবা পকপা)
হৌজিক অট্টৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না [illegible] লৈরে। অট্টৌবা পকপশিংগীদমক্তা মকবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। ঊনশাগী [illegible] ফংনবা ঙম্রে। মায়রিং, স্কিন, অজমা, ঊরিং, মায় চাখৎপা স্কিন ডিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খাং নাবা, খোঙ-খুৎ শিবা, মখল পাবা, [illegible] থবাক নাবা, [illegible] উনবিয়ু তাসনবীয়ু।
(দাইবেটিসগী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি [illegible]। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা [illegible]।
(নুংশাং)
নুংশাং, ঈ-তাবা, চখৎপা, পোম্ব, [illegible] প্রোব্লেম, [illegible] নুংশাংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নবা পুক্ন ফংনবা ঙম্রে।
(নুপাগী প্রোব্লেম)
[illegible] মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমসুং উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
[illegible] ফংনবা ঙম্রে।

Dr. (VAID) R N GUPTA (396)
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream
Buiding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking Mobile : 7629939036